**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লাঞ্জেন্নরক্কুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নদুনা মখোয়বু খুন্দা লৈতাহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

২) মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- সেকমাই পুলিস ষ্টেসন অসি মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎনবা হোৎনরগনি।

৩) ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথগদবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

৪) কোলকাতাদা ডোক্তর অমবু হাৎখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা লৈবাক শিনবা থুংনা চংশিনখিবা থবক লেপ্পগী খোঙজং রাজ্য অসিদসু ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ব্রাঞ্চকী মীৎয়েং মখাদা চংশিনখি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না হায়রি- লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মোংকি পোক্সনা নাবা মীওই অমত্তা থেংনদ্রি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লাঞ্জেন্নরক্কুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী মীহুৎশিং অমদি রিলিফ কমিতিগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি মীহুৎশিং অদুগা ৱারী শান্নবদা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মখোয়না হৌজিক থেংনরিবা অৱাৎ অপাশিং মেনখৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা মখোয়বু খুন্দা লৈতাহন্নবগীদমক তুং কোইনা চৎনগদবা থৌরাংশিং পায়খৎনবসু ঙসিগী মীফম অদুনা খন্নখি। সরকারগী মাইকৈদগীসু লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবকশিং মখা তানা লৌখৎখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা ফোংদোকখি।

দিঙ্গো (এল)ঃ সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা ঙসি সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। নেসনেল হাইৱে পাকথোকপদা পুলিস ষ্টেসন অসিগী শরুক খরা শোক্কদবা লৈবদগী মন্ত্রিনা য়েংশিনখিবনি।

খোঙচৎ অদুদা মন্ত্রিনা হায়- নেসনেল হাইৱেদা লৈরিবা সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্না লৌরিবা থৌদাং অসি য়ামা চাওই। পুলিস ষ্টেসন অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি পেন্নিঙাই ওইদে অমসুং মতমগা চুনবা ৱাৎলি। মরম অদুনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা তান্নদুনা পুলিস ষ্টেসন অসি মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎনবা হোৎনরগনি। ষ্টেসন অদুদা পোষ্টিং তারিবা পুলিস পার্সোনেলশিংগসু মন্ত্রিনা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

খোঙচৎ অদুদা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসন অমসুং নেসনেল হাইৱে শেম্বগী থবক তৌরিবা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং লোয়নখি।

রিলিফ(এল)ঃ শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্ত কুমারগী মীৎয়েং মখাদা শেমখিবা নম্বোল কেন্দ্রগী পিছ কমিতিনা ঙসি উৎলৌ শাজোরদা লৈবা প্রি-ফেব্রিকেতেদ য়ুমশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা হরাউনা চামিন থকমিন্নখি। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা মশা মশানা হৈজবা জগোই ঈশৈ অমদি শৈরেং থিবগী থৌরমশিংসু উৎখি।

ক্রিমিনেল (এল)ঃ ক্রিমিনেল লো অহুম- ভারতিয়া নিয়াই সনহিতা, ভারতিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা অমদি ভারতিয়া সক্সিয়া অধিনিয়ামগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

থৌরম অসি মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফিয়ার্স, গভরমেন্ট ওফ মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সিধার্থ ম্রিদুলনা হায়-লৈবাক অসিগী অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসি নিংথিনা থিজিল্লিবা মতুং মতম চংদনা অমদি খুমাং য়াংশিন্না ত্রাইয়েল পাঙথোক্লবা তুংদা মরাল লৈবা মীওইশিংগী ফংফম থোকপা দন্দি অদু চপ চানা ফংহন্নবগী পান্দমদা নৌনা পুথোকপনি।

অনৌবা আইন অহুম অসিনা হান্না চৎনরম্বা ত্রাইয়েল প্রোসিদ্যুর অদুদগী হেন্না ফিভম ফগৎনা ত্রাইয়েল পাঙথোক্কনি। আইনগী লমদা মথৌ তৌরিবা ইনভেষ্টিগেতিং ওফিসার, প্রোজিক্যুটর অমদি ত্রাইয়েল কোর্টকী জজশিংনা অনৌবা আইন অহুম অসিগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা লৈদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনশি। ষ্টেগ হোল্ডর পুমমকা অনোবা লোশিং অসিগী মতাংদা কুপা নৈনদুনা মীয়ামদা হেন্না মপুং ফাবা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনশি হায়না মহাকা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা মনিপুরগী দি.জি.পি রাজিভ সিংহ, হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জষ্টিস-গাইফুলসিল্লু গোলমৈ, জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা শরুক য়াখি। অহানবা সেসনদা বি.এন.এস.এসকী মখাদা করমা ত্রাইয়েল চথুগনি হায়বসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মদুদা ইম্ফাল ইষ্ট ফেমিলি কোর্টকী জজ-আর.কে. মেমচা অমসুং থৌবাল ফেমিলি কোর্টকী জজ-ডব্লিয়ু তোনেন মীতৈনা রিছোর্স পাসর্ন অমদি মোদেরেটর ওইখি।

ষ্ট্রাইক (এল)ঃ নোংচুপ বেঙ্গল আর.জি. কার মেদিকেল কলেজদা পোষ্ট গ্রেজ্য়েট তল্লিবী ডোক্তর অমবু ইজৎ মাংহল্লবা মতুং তমথিনা ওৎ নৈদুনা হাৎখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লৈবাক শিনবা থুংনা চংশিনখিবা থবক লেপ্পগী খোঙজং রাজ্য অসিদসু ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ব্রাঞ্চকী মীৎয়েং মখাদা চংশিনখি। ডোক্তরশিং অমদি মেদিকেলগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকারগী অমদি লন্নাই হোস্পিতালশিং অমত্তা মথৌ তৌখিদে। অদুবু খোঙজং অদুনা ইস্মরজেন্সি সার্ভিস অমদি তঙাইফদবা অনা লায়েংগী থবক্তুদি অপনবা পীখিদে।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মনিপুর ব্রান্সকী প্রসিদেন্ট, ডাঃ আর.কে. লেনিন্না হায়- অসিগুম্বা তমথিরবা থৌদোক অসিনা অনা লায়েংগী লমদা মহৈ তল্লিবী নত্রগা থবক তৌরিবী ন্পীশিংগী পুন্সিদা চাউনা নুংনাংবা অমা লৈরিবা অসিগী য়েংলগা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন্না কেন্দ্র সরারনা ওর্দিনান্স অমা শেন্বীনবা তকশিল্লি। অসিগুম্বা কা হেনবা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী মায়োক্তা মীয়াম হুপা লেপমিন্নবা মতম ওইরে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ডোক্তর, নর্স অমদি অতৈ পেরা মেদিক ষ্টাফশিংনা শরুক য়াদুনা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ব্রাকৎ মীফম ফমখি। ব্রাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবা মীওই অথুবদা ফাদুনা অচুম্বা ব্রায়েল ফংহল্লু হায়না তকশিনখি।

ইষ্টর্ন আই ফাউন্দেসন এন্দ রিছার্স সেন্তরগী ডোক্তর অমদি মেদিকেল ষ্টাফশিংনসু ঙসি ব্রাকৎ মীফম পাঙথোকখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজকুমারনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা লৈবা মঙ্গোলঙানবী কলেজদা রাজ্য অসিগী অহানবা ওইনা ৱেট লেন্দ ষ্টদিজ এন্দ মেনেজমেন্টকী কোর্স অমা হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ডাঃ ব্রজকুমারনা হায়- কেন্দ্র সরকারগী পাউতাক মতুংইন্না ৱেট লেন্দশিংগী মরমদা নিংথিনা খঙননবা

মহৈ লোইশঙশিংদা কোর্স হাংদোকবা খঙহল্লকপদগী অহানবা ওইনা মোদেল কলেজ অমা ওইনা মঙ্গোলঙানবী কলেজদা কোর্স অসি হাংদোকপনি। থা অহুমগী ওইবা সার্তিফিকেট কোর্স অসিদা মহৈরোইশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা ৱেট লেন্দগী মতাংদা তম্বা ঙম্লবদি রাজ্য অসিগী তোঙাঁন তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ৱেট লেন্দশিংগা নকবা কলেজশিংদসু কোর্স অসি মখা তানা হাংদোক্কনি। মসিগী মথক্তা ক্লাইমে চেঞ্জগী মতাংদা তমনবা কোর্সশিং কলেজ খরদা হাংননবা থৌরাং তৌরি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মঙ্গোলঙানবী কলেজগী প্রিন্সিপাল আর.কে. বিরজিৎনা হায়- লোক্তাক পাৎকা ঐখোয়গী অরিবা নাৎ চৎনবী অমসুং পুন্সিরোলগা লৈনরম্বা মরীশিং অদু হৌরক্লিবা মীরোলনা খঙদ্রে। মরম অদুনা ৱেট লেন্দশিংগী মদুগী মনাক্তা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওইশিংগগী মরক্তা লৈনবা মরী অদু নৌহৌননা মহৈরোইশিংদা খঙহন্নবা হোৎনবদা ঙসি হাংদোক্লিবা কোর্স অসিনা চাউনা মতেং ওইরগনি।

ঙা (এল) ঃ মনিপুরদা ঙা মরাং কায়না পুথোক্তুনা ঙাদা মীপাল তাংদবা হায়বা থৌশিলগী মখাদা ঙসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা অচৌবা পুখ্রিশিংদা ঙা মচা থাদবা হৌখ্রে।

রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগা খুৎশমদুনা চখুরিবা ঙা মচা থাদবগী থবক অসি অহানবা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নিংথেম পুখ্রি অমসুং চিংমৈরোং মনিং লৈকাইগী পুখ্রি অচৌবদা হৌদোকখি।

রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগকী দিরেক্তর-হৈস্নাম বালাকৃষ্ণনা অকাশবানি হম্ফালদা হায়-অহানবগী ওইনা থিজিনবদা রাজ্য অসিদা অচৌবা পুখ্রি লিশিং অমগী মথক্তা লৈ। হায়রিবা পুখ্রিশিং অসিদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙা মচা লিশিং মঙা-মঙারোম থাদগনি। ঙাশিং অসি মফম অদুগী ক্লবশিংনা য়েংশিনবগা লোয়ননা চাউনবা হোৎনদুনা শেন্থোক লৈনবসু হোৎনগনি।

এআর(এল)ঃ  ই-ৰেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা মীয়াম্বু ৰাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি নোনে জিলাগী হাওচোং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই ৬৫ শরুক য়াখি। অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা মফম কয়াদা মীয়ামগা উন্নদুনা ৰারী শান্নবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাংসু লিলোংগী মৈরা পায়বীশিং, থৌবালগী লোকেল য়ুথ ক্লবশিং, চন্দ্রখোংদা লল্লোন ঈতিক অমসুং দুকান ফল্লিবা মীওইশিং, শঙাইথেলগী খুঞ্জাশিং, হাইপো তুইনেম পোই অমসুং মোলতুকনচিংবা মফমশিংদা মীয়ামগা উন্নদুনা ৰারী শান্নখি।

নাব (এল)ঃ  থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তা লৈবা কে.এম. ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ড্রগকী মায়োক্তা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু নার্কোতিক এন্দ এফ্যারস ওফ বোর্দর (নাব)না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী ওজা অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

এৱারনেস (এল)ঃ  কোলিজন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা)গী মীৎয়েং মখাদা নিশা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমদি মসিগী থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ককচিং জিলাগী হিয়াংলম ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোখিবনি।

লিবরেল (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কলেজদা থা অসিগী ২৪ দগী ২৫ ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপনা রোজগার মেলা অমা পাঙথোক্কনি। মেলা অসি ই.এম.কে.ভি.ৱাই. ফোর পোইন্ট জিরো ট্রেনিং প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবনি। থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংদা চাউনা কান্নবা পীননবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা রোজগার মেলা অসিগী অকুপ্পা মরোল কন্টেক্ট নম্বর- **9362840292** দগী খঙলবা য়াগনি হায়না লিবরেল কলেজগী প্রিন্সিপালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

দেদ বোদি (এল)ঃ ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদগী নুপাগী অশিবা হকচাং অমা ফংলে হায়না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। মীওই অসি মশক খঙদোকবগী রিমসকী মোর্গতা থল্লি। মীওই অসি য়েংবদা কুলৈ কুচু ওই, মশা পায়, মশম তেন্না ককই, মমায় শাংই, য়েৎ থংবা খুদাংদা বিবিচা হায়না থায়।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী চাংহে হৈবুংলোক ভিলেজদগী মোনসাং নাগা ত্রাইবকী থুমলি তেনিংফম মোনসাংবু মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন ওইনা খল্লকপদা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন চান্দেলনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং কলেজদা মহৈরোইশিং ইন্দক্সন অমসুং কাউন্সেল্লিং তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ কিমথুইজিনাং মরেম্মৈ অমসুং কলেজ অসিগী মকোক থোংবা ওজা কয়া শরুক য়াখি।

এৱার্দ (এল)ঃ কলচর মন্ত্রালয়না নহা ওইরিবা আর্টিষ্টশিংদা পীবা য়ং টেলেন্ট আর্টিষ্ট এৱার্দ পীনবগীদমক খল্লকপদা মণিপুরদগী নুপী আর্টিষ্ট অহুম য়াওনা পুন্না মীওই মরি য়াওরক্লে। নুপী আর্টিষ্টশিং অদুদি- মণিপুরী ফোল্ক সোংদা থোকচোম লনসনা চনু, মণিপুর ক্লাসিকেল ডান্সতা হঞ্জবম লোইজিং দেবী অমসুং পের্ন্টিংদা নমৈরাকপম এপ্রিলানি। নুপা আর্টিষ্ট অদুনা ৱুদ ক্রেভিংদা ঐচ.এ. ৱুংমৈখাননি।

এৱার্দ অসিগীদমক মণিপুর, অসাম, মিজোরম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা অমসুং অরুনাচল প্রদেশতগী পুন্না আর্টিষ্ট ১২৫ না এপ্লিকেসন থাজিল্লকখি। মসিগী মনুংদা কমিতি অসিনা আর্টিষ্ট ১৮ খনগৎপদা মণিপুরদগী আর্টিষ্ট মরি অসি য়াওরকখিবনি।

নোংঃ ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা ঙসি অমসুং হয়েং নোং কন্না চুরবা য়াই। মথং নুমিৎ নিনিদসু তোঙান তোঙানবা জিলা খরদা হায়রিবা ফিভম অসি অদুমক হোংলদবা য়াই। ঙসি সেনাপতি, উখ্রুল, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী মফম অয়াম্বদা নোং চুগনি। নোং অসি তমেংলোং, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, কামজোং, জিরিবাম, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং অমসুং তেংনৌপল জিলাগী মফম অয়াম্বদসু চুরবা য়াই।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদসু হায়রিবা মতমশিং অসিদা নোং চুগনি। ছাতিসগর, মধ্য প্রদেস, মহারাস্ত্রা, উরিষ্যা, নোংচুপ বেঙ্গোল, ঝরখন্দ, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেস, অসাম অমসুং মেঘালয়দা থা অসিগী ২২ ফাওবা ময়াই ওইরপ্লদগী অকনবা চাং ফাওবা নোং চুগনি হায়রি।

নদ্দাঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না হায়রি- লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মোংকি পোক্সনা নাবা মীওহ অমত্তা থেংনদ্রি। অদুমওইনমক, ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না মোংকি পোক্সতগী মীয়ামা চেকশিন্নবা মালেমগী ওইনা ফোংদোরক্লিবা ৱাফম অসিগী য়েংলগা নিউ দিল্লিদা ঙসি হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা সভাপতি ওইনা মোংকি পোক্স থেংননবা শেম শানবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লায়না অসি শন্দোরকপা মতমদা থিংহৌনবা অমসুং মসিদগী ঙাকথোকবা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নিংথিনা খন্নখি। করিগুম্বা লায়না অসি ভারত্তা থেংনরবদি এয়ারপোর্ট, হিথাংফমশিং অমদি কাংফাল লম্বীগী মরুওইবা মফম কয়াদা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং, লায়না অসি খঙদোকবা টেষ্ট তৌগদবা লেবোরেটরিশিং অমসুং লায়না অসি লায়েংবগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্নখি।

হেলথঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না ডোক্তরশিংবু ঙাকপী শেনবীনবগীদমক দরকার লৈবা থবক পুমমক পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীবগা লোয়ননা মীয়ামগী

খল্লগা মখোয়গী খোঙজং হন্দোকপীনবা আপীল তৌরি। ৱাফম অসিগী মতাংদা কমিতি অমা শেমদুনা অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী পুন্সি অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎলগনি। মসিগীদমক মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি রাজ্য সরকারশিংদগীসু সজেসনশিং লৌগনি।

কোলকাতাগী আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালদা রেসিদেন্ট ডোক্তর অমা হাৎখিবগী ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি ফেদরেসন ওফ রেসিদেন্ট ডোক্তর এসোসিয়েসন, ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন অমসুং রেসিদেন্ট ডোক্তরস এসোসিয়েসন ওফ গভর্নমেন্টেল মেদিকেল কলেজেস এন্দ হোস্পিতালসকী মীহুৎশিংনা ঙসি নিউ দিল্লিদা হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দাগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মদুদা এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংনা অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু থবক মফমদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎপীনবা তকশিনখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৮ শুবা দি.এস.এ ত্রোফি ইনভিটেসন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪ হয়েংদগী হৌরগনি। দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১৪ না শরুক য়ারি।

জিৎকুন্দো (এল)ঃ চহি অসিগী নবেম্বর ২ দগী উজবেকিস্তানগী টস্কেন্ট সিতিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড জিৎকুন্দো চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াননবা কিলোগ্রাম ৬০ কাংলুপ্তা থোকচোম তরুনকুমার মৈতৈ অমসুং কিলোগ্রাম ৮০ গী মখাদা লোংজম মঙালসনা মৈতৈ খল্লক্লে । মসিগী মথক্তা সিফু সি.ঐচ. প্রেমচন্দ্র সিংহবু ভারত টিমগী কোওর্দিনেতর ওইনা খল্লক্লে হায়রি।

------